ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯰, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯸ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মার্চ২০, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৩৩৮ শুবা মশীং

# লাইভ টেলিকাষ্ট

## হাউসতা খন্নরিবশিং মীয়াম খঙহন্নবা থবক লৌখৎলু

*দিমোক্রেসিদা* পার্লিয়ামেন্ট নৎত্রগা ষ্টেট এসেমব্লিগী হোল হায়বসি শেংলবা মীয়ামগী লাইশঙনি। অসিগুম্বা লাইশঙ অসিদা হাউসকী মেম্বরশিংনা অরান-অহুই তৌনদে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লোক সভাগী মীখলদা য়াম্না চাউনা মায় পাল্লবা তুংদা পার্লিয়ামেন্টতা ইহান হান্না চঙননবগী লাকপদা খুরু-খুদক খুল্লগা মরাইবক কৎলবা তুংদা হাউসতা চঙখি। মহাক্কুম্বা হাউসকী মেম্বর কয়াসু পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা চঙলমদাইদা মরাইবক কৎনৈ। মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী হোলদা চঙলমদাইদসু এক্স-এম এল এ কয়ানা হাউসতা চঙলমদাইদা হেক হেক লাইবক কৎনখি। মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফম হায়বসি লৈবাক্কী ওইবা অরুবা ৱাফমশিং খন্নপুং-নৈনপুংনি। ষ্টেট অসিগী মশাগী ওইজবা লো শেমদুনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরিবনি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী মরাইবকসু এসেমব্লি অসিনা লেপ্লিবনি। ষ্টেট এসেমব্লিগী থৌদাং অসি খন্নপুং-নৈনপুং ওইবতা নত্তনা লৈঙাক অমনা শীজিন্নরিবা শেনফম খুদিংমক হাউসতা পুথোক্লগা রুলিং অমসুং ওপোজিসনশিং পুন্না খন্নমিন্নরগা অয়াবা পীরবা তুংদা লৈঙাক অদুনা চলাইরিবনি। শেল-থুমগী মতাংদা চয়েৎনবা থোরকপদা হাউসতা মশীং য়াম্বা মেম্বরশিংনা রুলিংগী ৱারেপ অদু য়াদবা তারবদি লৈঙাক অদুসু তুহনবা ঙম্লিবনি। ষ্টেট এসেমব্লিদা হাউসকী মেম্বরশিংনা মীয়ামগীদমক করি তৌরি, মীয়াম্না লৈঙাক্তা করি তৌহন্নিংই হায়বদু রুলিং অমসুং ওপোজিসন মেম্বরশিংনা তোঙান-তোঙানবা মোসন ওইনা হাউসতা পুথোক্লগা ৱারেপ লৌরিবনি। অসিগুম্বা মরু ওইবা মীফম অমদা ঐখোয় পুন্নমক্না থাগৎখিবা মেম্বরশিংনা করি করি খন্নখিবগে, করি ঙাঙনখিবগে হায়বা ষ্টেটসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্তা খঙহনবা চুমগনি। মসিমক লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদসু তৌই। লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী ওইনদি তোখায়বা টেলিভিজন চেনেল ফাওবা হাংদোক্তুনা মীফম হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌদুনা মীয়ামদা য়েংহল্লি। ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা মালেমগী দিমোক্রেসি চৎপা মমিং লৈরবা লৈবাকশিংসু মখোয় মখোয়গী মীফমশিং মীয়ামদা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌদুনা খঙহল্লি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বগী এসেমব্লি সেসনসু মখোয় মখোয়গী মীয়ামদা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌদুনা টি ভি চেন্নেলশিংদা শন্দোকই অমসুং মীয়ামদা খঙহল্লি।

তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী অহানবা সেসন গভর্ণর এদ্রেসকা লোয়ননা হয়েংদগী হৌরগনি। গভর্ণরগী এদ্রেস হাউসতা থমদ্রিঙৈদা ঙসি এসেমব্লি অসিগী স্পিকর খন্ননবা মীখল পাঙথোক্কনি। স্পিকর খল্লবা তুংদা অহানবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফম্না হয়েংদগী হৌগনি। চহীগী অহানবা সেসন ওইবা মরম্না গভর্ণরনা হাউসতা থমগদৌরিবা ৱারোল অসি মীয়াম্না শোয়দনা তানিংলমগনি। মমাঙগী লৈঙাক্না করি তৌরম্বগে হায়বা অকূপ্পা ৱারোল পুথোক্ত্রবসু অনৌবা লৈঙাক অসিনা তৌগে নিংলিবা থবকশিং অদু করিনো হায়বা মীয়ামদা খরমখৈদি ফোঙদোক্লনবা গভর্ণরনা থৌরাং তৌরমগনি। মহাক্কী ৱারোল অদু য়াম্নমক মরু ওইগনি হায়নসু মীয়াম্না লৌরমগনি। গভর্ণরগী এদ্রেস লোইরবা তুংদা অনৌবা লৈঙাক অসিনা গভর্ণরগী এদ্রেস অদু থাগৎপগী মোসন পুখৎকনি। লৈখিদ্রবা হাউসকী মেম্বরশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা, মমাঙ চহীগী রিভাইস ইষ্টিমেট হাউসতা পুথোকপা, বজেট ইষ্টিমেট পুথোকপগা লোয়ননা ভোট এন একাউন্টকী শেনফম পাস তৌননবা লৌখৎলকপা থবক-থৌরমশিং নুমিৎ হুম্নিগী মীফম মনুংদা পাঙথোক্কদৌরি। মরম অদুনা হন্দক্কী মীফম অসি তেল্লবসু তেন্না লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক করি তৌরক্কদগে হায়বগী মপূং ফাবা মমি শোয়দনা তাগনি। অসিগুম্বা মীফম অসিগী পাউ মীপূম খুদিংমক্তা খঙহনবা, উহনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরু ওই। চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা হাউসতা খন্নরিবা ৱাফমশিং মীয়ামদা নিংথিজনা খঙহন্নবা হোৎনবগী মমি তাখিদে। হাউসকী মেম্বরশিং অমসুং মিদিয়াশিংনা মীফমগী লাইভ টেলিকাষ্ট তৌহন্নবা কয়ারক হন্না তক্লবা লৈরগসু মতমদুগী স্পিকরশিংনা অয়াবা পীরমখিদে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর হেক খনবগা অনৌবা স্পিকরনা হাউসকী লীদর অমসুং ওপোজিসন লীদর অনী কৌশিল্লগা হাউসকী প্রোসিদিং পুন্নমক শেল পীদনা লেম্না লাইভ টেলিকাষ্ট তৌহন্নবগী খুদোংচাবা পীহন্নবা ৱা খন্নহন্নিংই। হৌজিক্তি টেলিকম্যুনিকেসনগী থাক ৱাংখৎলক্লবনিনা মণিপুরদসু ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াশিংনা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি। রেদিও অমদি পাউচেশিংনা হাউসতা খন্নরিবশিং পাউদম্বদা চিংথ-নান্থবা লৈহৌবা পুন্নমক ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়ানা শমজিল্লকপদা দিমোক্রেসিগী ফজরবা মশক অদু মীয়ামদা উহনবা ঙমগনি। মরম অদুনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফম লাইভ টেলিকাষ্ট তৌহনবীয়ু।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## বি জে পিগী থাবল

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***মহৌশাদগী*** হৌনা য়াওশঙ মনুংদা থাবল চোঙবা চৎনরকই। কুমসিসু অসুম চোঙলি পাখং লৈশাবীশিং, মৌনহাশিং অমসুং অঙাং মচাশিংসু য়াওনা। অদুবু কুমসিদি মেত্রিক অমসুং টুয়েল্ভ পরিক্ষাশিংসু য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি হেক লোইবা নোংঙানবদগী হৌখ্রে অদুগা টুয়েল্ভকীনা তাং ২০ দগী হৌরগনি। মসিদা পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী তুংগী মরাইবক লেপকদৌরিবনি। মরম অসিনা পরিক্ষা অনীমকসি মখোয়গীদমক্তদি য়াম্না লুবা খোঙফমনি হায়বা তাই। ভোট লোইখ্রে। চহী ১৫ লৈঙাল্লম্বা কোংগ্রেসনা ২৮ দগী হেন্না ফংবা ঙমখিদ্রে অদুগা বি জে পিনা ২১ ফংখি। অসুম্না লৈঙাক শেম্বা য়াবগী নম্বর গেম শুনখিদ্রে। অদুবু বি জে পিনা লৈঙাক শেমখ্রে। বি জে পিগী অহানবা সী এম এন বিরেন্না ওইখ্রে। মসিগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা খাঙবোক কেন্দ্রগী বি জে পি কেন্দিদেটনা কাহৌদ্রবসু খাঙবোক ময়ায় লৈকায় লম্পাক্তা মীয়াম্না কাংজৈবুং হায়না খঙনরিবা অসিদা মার্চ ১৫ গী নুমিদাংদা মশীং য়াল্লবা বি জে পিগী নুপী-নুপা ৱার্করশিংনা হৌনরুবা তৌদনা থোরক্তুনা বি জে পিগী টুপি উপ্তুনা, ফিরাল পায়দুনা য়াম্না চাউনা থাবল চোঙখি। মসি করিসু নত্তে, মণিপুরদা বি জে পিগী অনৌবা লৈঙাক অমা লাকখিবদা অওনবা অমদি শোয়দনা পুরক্লগনি খনবদগীনি। মসিবু মীয়াম্না বি জে পিগী থাবলনি হায়নখি। ঈশৈ ওইনসু শকখি- বি জে পিগী থাবল, মোদিজিগী থাবল হায়না। মতাংসিদা চাখ্রবা এঙ্গাংগী মহাওদি খঙখ্রে, চাদ্রিবা এঙ্গাংগী মহাওদি খঙদ্রিবনিনা খঙনীংবা অমা মীচম মীয়ামগী থম্মোয়দা ফাউরি। অদুনা বি জে পিনা লৈঙাক শেল্লকপবু তরাম্না ওক্লি। খাঙবোক্তা বি জে পিগী ঈহৌ কনখি অদুবু য়াখিদ্রে।

অরোইবদা, ভোট কাদ্রিবসি মীচম মীয়াম্না ভোট থাদবা ৱাৎপা অমদি ভোট কারিবসিনা ভোট থাদবগী চাং ৱাংবদগীনি হায়বা তারে। অওনবা মণিপুর অমা পুরক্নবগীদমক্তা অনৌবা বি জে পি লৈঙাকপু থাগৎচরি। বি জে পিগী থাবলসু চোঙসি। লৈঙাকসু নীংথিনা চলাইনবা হোৎনসি।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭

১। মখাগী অরিবা লোনশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ
(ক) লুফুই (খ) লময়ায় কাইদা খিনবা।
২। ‘‘তম্পাকলৈমা শংবানরবা পাল্লবা ঈশিং ঈপাক্না নোংমদোনগা শম্নরিবা নোংখোঙ পরেংদুদা মুন্না য়েংই।’’ পরেংসি ৱারীমচা ইবা কনানা হায়বনো?
৩। ‘‘হিংলিবনা কনা, শিরিবনা কনা, মহাক অমতা খঙলক্ত্রে। মফম অদুদা লেপ্লিবা মীশিং অদু মাগী মমিত্তা লৈ মনা অমমম ওইনা উরকই।’’ ৱাহৈশিং অসি করম্বা ৱারীমচাদগী লৌথোকপনো?
৪। বঙ্কিমচন্দ্রগী ‘ধর্ম্ম তত্ত্ব’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। ‘অমেরিকাগী খোঙচত্তা’ লমকোয় ৱারীসি কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## পান্বীগী হার মনাদা পীবা ঃ ফোলিয়র ফর্টিলাইজেসন

ডাঃ এম থোইথোই সিংহ



***মহৌশানা*** পান্বীগী মরাশিংনা লৈবাক্তগী হার চুপখৎলি। লৈবাক্তা হার হাপ্লে। চাওখৎলকপগা লোয়ননা ঙসিদি পান্বীগী মনাশিংদসু মখল কয়াগী হার পীরে। অদুবু পান্বীনা দরকার ওইবা হার খুদিংমক মনাদা পীরগা পান্বীদুদগী পুথোরকপা পোথোক্কী শেন্দোং পঙলৈ লৈরোই। মসিদি মতম খরখক্কী ওইগদবনি।

মীওইবশিংসু য়ানা শায়রগা লৈনা মহাও লৌরগা খৌনাওনা য়োৎশিল্লি। দরকার ওইবা চীঞ্জাক নাতোন্দা পীবগী (নোস ফীদিং) থবকসিদি মতম খরখক্কীনি। শেলসু চঙই। চপ মান্নবা মওংদা পান্বীনা দরকার ওইবা মচীঞ্জাক খুদিংমক মনাদা পীবা হায়বসি শেল চঙই। মরাদা নিয়ম চুম্না হার পীবদগী হেন্না কান্নবা অতোপ্পা মওং অমা লৈতে। অদুমকপু, পান্বীনা মখল খরগী মচীঞ্জাক ৱাৎপগী লায়ওং উৎলক্লবদি মখোঙ-মরাদা হাপ্লিবা হারগী কান্নবদু পান্বীদুনা ফংদ্রিঙৈদা তঙাইফদনা মনাদা পীবা তারকই। মসিনা মরম ওইরগা মনাদা মচীঞ্জাক পীবগী তঙাইফদবসু লাকই।

ঈশিংদা তুম্বা হার খুদম ওইনা য়ুরিয়া ঈশিংদা তুমহল্লগা পান্বীগী মনাশিং চোৎনবা কাপথোকই। য়ুরিয়াদা য়াওবা নাইট্রোজেন মনাগী মপান্থংবা সেলশিং অমসুং অহোবা মখুলশিং (ষ্টোমাটা) ফাওরগা চঙলকই। অদুবু স্প্রেয়রদগী কাপথোরকখিবা পূম্নমক মনানা লৌশিনবা ঙমদে। অহেনবা মখৈ লৈবাক্তা তাখি। পান্বীশিংদুগী মরা মনাক নক্না তারুবা খরা মরাশিংদুনা চুপখৎচরবসু খরা অমদি পান্বীশিংদুনা ফংদে। খরনা ঈশিংনা চেন্থখি, খরনা মনিল ওইনা পাইথোকখি, খরা অমনা মনাক নকপদা হৌরিবা নাপীশিংনা ফংখি।

মনাদা হার পীরমদাইদা ৱাফম খরদি নীংশিংমিন্নবা চঙই।

১) পান্বীদা মখল অমা নৎত্রগা মখল খরগী মচীঞ্জাক ৱাৎপগী লায়ওং উৎলকপদা ৱাৎলিবা হার মখলদু মনাদা কাপথোক চাইথোকপা ফৈ। অতেনবা মতম খরগী মনুংদা পান্বীদা ফংহল্লি।

২) থৌওং অসিদা পান্বীদা মচীঞ্জাক পীবা হায়বসি চাং নেম্মী। অয়াম্বা মচীঞ্জাক্কী শরুক্তি পান্বীদগী মরানা চিংখৎচগদবনি। পান্বীদুনা দরকার ওইরিবা মচীঞ্জাক্কী চাংদুমক মনাদা লোইনমক পীবা ঙম্লোই। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হার কিলোগ্রাম ১-২ খক কাপাথোল্লগা য়ারেকা হায়বীবসি অরেম্বনি। তাগুমসি।

৩) চাং নেম্না দরকার ওইরিবা মচীঞ্জাকশিংগী (মাইক্রোন্যুট্রিয়েন্ট)দমক্তি মনাদা স্প্রেয়রনা কাপথোকপসি য়াম্না ফৈ। লৈবাক্তা চাইববুদি মনাদা কাপথোকপনা হেন্না ফৈ। স্প্রেয়রনা কাপথোকপনা মাইক্রোন্যুট্রিয়েন্ট য়াম্না শীজিন্নদে, শেঞ্জং হন্থহল্লি। পোথোক হেলহল্লি।

৪) পান্বীনা চাং ৱাংনা দরকার ওইরিবা নাইট্রোজেন, ফোসফোরস অমসুং পোটাসিয়ম পান্বীদা পীবগীদমক্তী খুদোং চাদে অদুমকপু অৱাৎপা খরখক্কী মেন্থোক মেনশিনগীদি থোইদোক্না কায়দে। হার মখল অহুমসিদি লৈবাক্তা পীগদবনি।

৫) জিঙ্ক সলফেটকুম্বা অশিনবা (এসিড) হার মখলসি মনাদা কাপথোকপা য়াদে। কাপ্পা তারগনা শুনু হাপ্লগা অশিনবা লৌথোকখ্রবা মতুংদা কাপকনি নৎত্রবদি মনাশিংদু কথেকই (রোষ্ট)। অসিগুম্বা থৌওংসি মণিপুরদা য়াম্না তোয়না থোকই।

৬) এমোনিয়ম সলফেটতি মনাদা কাপ্পা খুদোংচাদে মরমদি অশিনবা (এসিদিক) পোৎলমসি শিন্দনবা শুনু হাপ্পা মতমদা নাইট্রোজেনশিংদু এমোনিয়া ওইনা পাইথোকখি।

হীদাকসু মখল কয়া য়ানশিন্নরগা কাপ্পদসু মান্নবা থৌওং তোয়না থোকই। য়ানবা তারবসু য়ান্নবা য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বদু তশেংনা খঙলবা মতুংদতা অয়াবা পোৎশিংদু য়ানগনি।

৭) ঈশিংদা হার য়ানবগী চাং ৱাংলবসু মনাশিংদু কাথেকপা (সোল্ট বর্ন) য়াই। য়ুরিয়াবু ঈশিংদা থীৎলগা কাপ্পা মতমদা য়ুরিয়া গ্রাম ৩০০ ঈশিং লিটর ১৫দা হাপসি মসিদগী হেনহল্লোইসি। ফোসফোরসকীদমক্তদি চাদা ০.৪দগী হেনহল্লোই। মরম অসিনা ফোসফোরসপু পান্বীগী মনাদা কাপ্পগী চাং নেম্মী। পাংতোয় তোইনা থেংনদে। য়ুরিয়াবুদি পাম্না কাপ্লে। ফোসফো কোপ হায়না খঙনবা $P_2O_5$ চাদা ৩২ গী চাংদা য়াওবা হারসি ঈশিং লিটরদা মিলিলিটর অনীদগী হেন্না হাপ্নদে।

৮) য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমনা ঐখোয়না থারিবা পান্বীদুদা মরা পুন্বী লায়না (রুট রোট দিজিজ) তারবা, নেমাটোড তারবা, ঈকং থোল্লবা অমসুং য়াম্না ঈংলবা মতমদা পান্বীনা মচীঞ্জাক চিংখৎপা ৱায় মতমসিদা মনাদা হার পীবা য়াম্না কান্নে। ফোলিয়র স্প্রেগী চন্নফমনি।

৯) মনাদা হার পীবা হায়বসি পান্বীনা য়াম্না লায়না অতেনবা মতম খরগী মনুংদা ফংবা ঙল্লবসু মসি তুং কোয়বা থবক নত্তে ঙাইহাক্কীনি হায়বা য়াই।

১০) উহৈ পীরিবা পান্বীশিংগীদমক্তদি মনাদা হার পীবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা অমনি।

১১) মনাদা হার পীবা মতমদা তঙাই ফদনা নপ্পবা ষ্টিক্কর অমদি শীজিন্নগনি। হাপকদবা হারগী চাংদুমক য়ানখ্রবা মতুংদা ষ্টিক্কর মিলিলিটর মঙা হার য়াওরবা ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা হাপহৌসি।

লৌউ-শিংউগী অপীকপা কাঙলোন মচা-মচাশিং পুনশিল্লবা মতুংদা পোথোক্কী চাং ৱাংখৎহনবা ঙম্মী হায়বা ৱাফমসি থমজনীংই।

## প্লাষ্টিক হাওসতা মায় পাল্লবা মখলগী অনৌবা লৌউ কাঙলোন অমা

এস সুমঙ্গল সিংহ




Cucumber plants in ploy house



A good crop of Capsicum



Cucumber harvest



Cabbage nursery



Cucumber seedling

***হৌজিক্কী*** মতমদা মণিপুরগী মফম কয়াদা তোঙান তোঙানবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী য়াইফনবগীদমক পায়খৎলিবা থৌরম কয়াগী মখাদা পোলি হাওস কয়া (প্লাষ্টিক হাওস) অমা শাবিবা থেংনরে। অসুম্না, হায়রিবা মওং কয়াগী পোলি হাওসতা পায়খৎনরিবা লৌউ কাঙলোনশিংদা মায় পাল্লবা মখলগী মনা মশিংশিংগী মনুংদা মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়ারবা পান্বীশিংদি খামেন অশিনবা, এঙ্গাং মোরোক (কেপসিকম), উ-মোরোক (কিং চিল্লি), কোবিলৈ অশংবা (ব্রোকোলি), লৈরিক য়াওদনা মহৈ য়ানবা থবী (পার্থেনোকার্পিক কুকুম্বর) চুম্নগী হায়ব্রিদ নৎত্রগা হাব্রিদ নত্তবা থবী (নন পার্থেনোকার্পিক কুকুম্বর) - (য়াম্নমক মায় পাকপা নৎত্রবসু শেন্দোংদি অদুমক ফংবা ঙম্মী), অসিনচিংবা পনবা য়াই। মণিপুরগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্না চানরিবা মনা চাবী হঙ্গামসিমক্তি শেবা ইচং চঙদনা মশা মথন্তা পংফদা ফগনবা য়াম্নমক মায় পাল্লবা পান্বী মখল ওইরে হায়না লৌবদা অরানবা ওইররোই খল্লি। অসিদসু নত্তনা মীয়াম্না পুথোক্লদ্রিঙৈ মতমদা কোলি হৱাই মরী চৎপী মখলশিং নিংথিনা হৌদুনা শেন্দোং য়াম্নমক ফংলে হায়বা য়ারে, থাদুনা য়েংবিয়ু।

অসুম্না মায় পাল্লবা পান্বীশিংগী মরক্তগী পান্বী মখল খরা শীজিন্নদুনা অনৌবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা মীয়াম্না মশক খঙবিরবা ৱাবগাই থিঙেল লৈকায়দা লৈবা শ্রী সাপম লুখোইগী প্লাষ্টিক হাওস মনুংদা এঙ্গাং নাপী থাবগী অনৌবা মায় পাল্লবা লৌউ কাঙলোন অমা মীয়ামগী মিৎ নাকোং ওইনবা থমজগে। হায়রিবা লৌউ কাঙলোন অসি কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইরোইশেম্বদা পাঙথোকখিবা লৌউ মেলা (২০১৬) দা অনৌবা ৱাখল্লোনগী লৌউ পথাপশিংগী অথোই অহেন তান্নবদা অহানবা মনা ফংখ্রবা কাঙলোন অমনি।

কাঙলোন অসিমক শ্রী সাপম লুখোইগা হকথেংননা ৱারী শান্নবদা মশানা পাউদম্লকখিবগী মতুং ইন্না থমজবনি। মীয়াম পূন্না খঙজিনমিন্নবদা কান্নগনি খল্লি।

অনৌবা ৱাখল্লোন অদুদি অসুম্না থম্বা য়াই **‘‘চুরিদা ৱাই (চেঙ তকপগী) শীজিন্নদুনা লেপ্তুনা পান্বীদা ঈশিং ফংহনবা’’** হায়না থোনবা য়াই। হায়রিবা কাঙলোন অসি মথং মনাও নাইনা অমদি কাঙলোন নাইনা পান্বীশিং থাবা মতমদা ঈশিং লিক্না অমদি লেপ্তুনা পান্বীদা ফংহন্নবা হোৎনদুনা ইৱা ৱাদনা শেন্দোং য়াম্না ফংনবা হোৎনবগী কাঙলোন অমনি হায়না লৌবা য়াই।

**শীজিন্নরিবা পান্বী মখলশিং অমসুং থৌরমশিং ঃ** কোবিলৈ অমসুং কোবি ফুলগী চারা শেম্বা (য়োন্নবা), এঙ্গাং মোরোক (কেপসিকম) থাবা, হঙ্গাম (নৌরিঙৈদা মপূন পুন্দুনা য়োন্নবা অমসুং ত্রেপ ক্রোপ ওইনা শীজিন্নবা), লোয়ননা থবি থাবা।

**লৌফমগী পাক চাউবা ঃ** প্লাষ্টিক হাওসকী পাক চাওবদি হৌজিক মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা শানরিবা ৫০০ স্কার মিটরগী পাক চাউবা অদুমক্নি।

**থাবগী কাঙলোনশিং ঃ** ১) এপ্রিলগী তারিখ ১ দা থবি মরু অসি প্লাষ্টিক চেখাওদা হুল্লি, অদুগা থা অসিমক্কী তারিখ ১১ দা নিংথিনা শেল্লবা ফৈদোমশিংদা লিংথোকই। ফৈদোমগী অপাকপা অসি মতাইদগী মতাইফাওবদা ফুট অহুম ওইহল্লি। ফৈদোম অমগা অমগগী মরক্তা ফুট অনী পাকপা ফুট অনী লুবা চুরি হন্দোক্তুনা শেম্মী। অসুম্না শেল্লবা চুরিদা য়াম্না লায়না অমদি হোংনা মরাং কায়না ফংলবা ৱাইনা ফুনজিল্লি। ৱাইশিং অসিনা লুনা হন্দোক্লবা চুরিদা ফৈদোমগী লৈবাক কিন্থরকপদগী ঙাকথোকই লোয়ননা মসিদা (চুরিদা) থাজিনবা ঈশিং মতম শাংনা ফাজিন্দুনা থবী পান্বীশিংদা ঈশিং লেপ্তুনা ফংহন্দুনা থাবীবা নত্তনা অতৈ থামিন্নরিবা পোৎশিং নিংথিনা খূৎলৈ থুনা হৌদুনা য়াম্না মপূং ফানা পালহনবা ঙম্মী। ঈশিংসু য়াম্না চঙদে।

**থবী মখল ঃ** Alamgir - 380, থবী পান্বী মশীং - ৪৬০ প্লান্টস

২) থবী হেকপা লোইরবা মতুংদা, জুলাই থাগী তারিখ ২০ দা ফৈদোমশিং অদুদা কোবি লৈ অমসুং কোবি ফুল মরু হুন্দুনা য়োন্নবা হোৎনৈ। মরুশিং অদু হুনবা নুমিৎতুমক্তদা ফৈদোমশিং খরা হাইথরকপা মতাইগী নাপোমগী পরেংদা হঙ্গাম মরু হুনজিল্লি। হঙ্গামশিং অসিনা হৌরবা মতমদা কোবি চারাদা মাঙহন তাকহনগদবা শাথিবা তিনকুপ মখল flea beetle হায়রিবা অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি।

৩) জুনগী তারিখ ১১ দা কেপসিকম মখল স্বারনা (নাপু মচু) অমসুং নাটাশা (অশাংবা) অনী অসি হুল্লবা মতুং য়াম্না নৌরিঙৈ, অশেংবা মনা পানদ্রিঙৈগী মতমদা প্লাষ্টিক বেগতা হোংজিল্লি। মসিনা হয়েং থাদোকপদা কাঙখুল হাংদনা পান্বীশিং ফৈদোমদা হিংহনবা ঙম্মী। জুলাইগী তারিখ ২২ দা হায়বদি কোবি চারা হুনবা নুমিৎ নীনি শুবা মতমদা কোবি চারা ফৈদোমশিংগী মতাইদা প্লাষ্টিক বেগতা লিংথোক্তুনা শেল্লবা কেপসিকমশিং লিংথোকই।

অসুম্না লিংথোকপনা ওক্টোবরগী অনীশুবা থাখাইদা কেপসিকমশিংগী অহানবা খূহেক হৌই। অনীশুবা খুহেক্না দিসেম্বর থাদা পাঙথোকই।

**শেনমিৎলোন ঃ** হায়রিবা কাঙলোন অসিগী শেনমিৎলোন মখাদা থমজরি য়েংমিন্নসি।

**নেট প্রোফিট ঃ**

| | |
|---|---|
| Cucumber | : - Rs. 34,900/- |
| Cauliflower and Caggage seedling | : - Rs. 19,200/- |
| Leaf Mustard | : - Rs. 4200/- |
| Capsicum (1st round) | : - Rs. 94,000/- |
| Capsicum (2nd round) | : - Rs. 18,000/- |
| Makhyat Mubi | : - Rs. 7500/- |
| Total | : - Rs. 1,77,800/- |

অসুম্না হোৎনবনা, স্কার মিটর ৫০০ পাক চাউবা প্লাষ্টিক হাওস অমদগী, চঙখিবা শেনফম খাইদোকখ্রগা চহী অমা চঙনা হোৎনবদা চাংচৎতা থা অমদা লুপা ১৪,৮১৬/- ফংবা ঙম্মী। য়াম্না চাউবা শেনফমদি নত্তে অদুবু হোৎনরমদ্রবদি ফংলম্লোই হায়বা ৱাফমদি থমজনীংই। অসুম্না চহী খুদিংগী ফংগনি হায়বা ৱাফমসু লৈতে। কৈথেলদা, অচংবা পোৎ চৈগী মমল (ইনপুট কোষ্ট)। য়োনবা মতমদা তোঙান তোঙানবা চহী খুদিংগী খেন্নবা লৈরিবা ফীভমশিংগী মতুং ইন্না অহোংবা নাইরিবা পোৎথোক্কী অয়োনমল খেন্নবগী মতুংসু ইনগনি। লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী য়াইফনবা খল্লগা খুদিংমক চাং নাইবা মওংদা লৈননবা লৈঙাক্না শিনবীবা মথৌ অমদি তাই খঞ্জে।

শ্রী লুখোইগী অতোপ্পা শঙম অমা পাক চাউবা লৌফম অমদগী থবি অমসুং কোবিফুল থামিন্নবদা লুপা ১৬৩৯৭৫/- থা মরিগী মনুংদা ফংবা ঙমখি। থা মরিসি নত্তবা অতৈ মতমদসু অতোপ্পা মহৈ মরোং থাখিবনি অদুবু মদুগী চপ চাবা পাউ লৈতবনা থা মরিগী পাউদম অসি তিনশিল্লগা য়েংবা মতমদা চহী অমগী অপূনবা শেন্দোংগী চাংদা পাবদা লুপা ১,৭৭,৮০০/- + লুপা ১৬৩৯৭৫/- = লুপা ৩৪১৭৭৫/-, থা অমদা চাংচৎতা লুপা ২৮৪৮১/- রোমদি ফংবা ঙম্মী।

খরা হেন্না ফংবসু য়াবগী ওইথোকপা লৈতবদি নত্তে। মায় পাকপনি নৎত্রগা পাকপা ৱাৎলি হায়বদুদি মীয়ামগী মফমদা শিন্নজরে।